# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-03-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা মথং থাগী ১৯ অমসুং ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মীরেপশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোক্লগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চঞ্চবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলাই কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে।

অমসুং

৩) লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসন ঙসি থোক্লগনি।

------

নোমিনেসন(এল)ঃ মণিপুরদা মথং থাগী ১৯ অমসুং ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মীরেপশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোক্লগনি। ইন্নরগী ওইনা স্ক্রুতিনি ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগী রিটর্নিং ওফিসরগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ৩০ দনি। জন্ ৪ দা ভোৎ মশিং থীগনি।

মনিপুরগী পার্লিয়ামেন্তরি সিট অনিগী মীরেপ চে পীশিনবগী ঙরাং অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা ইন্নরগী ওইনা মীওই ৭ অমসুং আউতরগী ওইনা মীওই মরিনা মীরেপ চে পীশিল্লকখি।

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিট কীদমক বি.জে.পি মীরেপ অমসুং

রাজ্যগী শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমার, কংগ্রেসকী মীরেপ প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজম, রিপাব্লিকান পার্তি ওফ ইন্দিয়া (আর.পি.আই-অথৱালে)গী মীরেপ মহেশ্বর থৌনাউজম, রাজত্রিয়া জনহিট সংঘর্স পার্টিগী মীরেপ মোইরাংথেম তোতোমসনা নোংশাবা, য়ুনভর্সিয়েল ফেমিলি পার্টিগী মীরেপ ঙাশেপম নিলাকান্ত সিংহ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপ হাওরুংবম সরত সিংহ ঙরাং মীরেপচেশিং পীশিনখি। মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি)গী মীরেপ আর.কে. সোমোরেন্দ্রো (কাইকু)দি হান্ননা মীরেপচে পীশিনখ্রবনি।

আউটর মণিপুর সিটকী ওইনা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ)কী মীরেপ কে. তিমোথি জিমিক, কংগ্রেস মীরেপ অলফ্রেদ কণ্ডম অর্থর, ইন্দিপেন্দন্ট মীরেপ ডাঃ অলিসন অবোনমাই অমসুং খো-জোন ঙরাং মীরেপচে পীশিনখি।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চখবদা বোম য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলাই কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পাঙ্গৈগী চীংখোঙশিংদা থি হুম্বগী থবক চখবদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. এস.এম.জি করবাইন অমা, মেগজিন য়াওনা পিষ্টোল অমা, দিতোনেতর য়াওদবা ঐচ.ই. হেন্দগ্রেনেদ ২০, ফিফতি ৱান এম.এম- ঐচ.ই. মোর্তার এম্ম্যুনিসন ৬ ফাগৎখ্রে।

কাংপোকপী জিলাগী ব্লোক লমলেন রিটচতগীনা মেগজিন য়াওবা করবাইন মেছিনগন অমা, লোকেল মেদ হেন্দগ্রেনেদ অনি, লাইভ এম্ম্যুনিসন রাউন্দ ২৪, রেড সিগনেল মোর্তার বোম অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

থৌবাল জিলাগী গ্বারোক চীংদগীসু মেগজিন য়াওবা ইন্সাস এল.এম.জি রাইফল, বোম অমদি অতৈ খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- বিষ্ণুপুর জিলাদগী মণিপুর পুলিসনা য়ু.এন.এল.এফ

(কে)গী মীওই মরি খুৎলায়গা কোন্ননা ফাখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা কে.সি.পি (নোয়োন)গী মীওই মরি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী ফাখি। মখোয়দগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙমলে হায়রি। হায়রিবা লালহৌলুপ অসিগী মীওই অমসু খুৎলায়গা কোন্ননা ফাগৎখি হায়না চেরোল অসিদা পল্লি। লোয়ননা মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা খুৎলায়গা কোন্ননা ফাগৎলে হায়রি।

নোনে (এল)ঃ হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ সুবা লোক সভা মীখল অসি নিংথিনা পাঙথোকবগীদমক নোনে দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা চেকশিন থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎলি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- মীখল অসিগী চেকশিন থৌরাং ওইনা ঙরাংদগী জিলা অসিদা য়ুম য়ুম চংদুনা লাইসেন্স গন খোমগৎপগী থবক চথবা হৌখ্রে। ঙরাং জিলা অসিগী লোংমাই ভিলেজ অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরদগী নোনে পুলিসনা নোংমৈশিং লৌখৎপগী থবক চথখি।

নোমিনেসঃ লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্ককী মীরেপ চে পীশিনবা ঙরাং লোইরে। বিহারগী ওইনদি মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম ঙসিনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোতির মরিগী লোক সভা সিট ১০২ দা মীখল পাঙথোক্কনি। সিটশিং অদুদি টামিল নাদুদা ৩৯, রাজস্তানদা ১২, উত্তর প্রদেশতা ৮,মধ্য প্রদেশকী সিট ৬, উত্তরখন , অসাম অমসুং মহারাস্ত্রাগী সিট ৫-৫ , বিহারগী সিট ৪,নোংচুপ বেঙ্গোলগী সিট ৩, মনিপুর, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মেঘালয়গী সিট ২-২, ছাতিসগর, মীজোরাম,নাগালেন্দ ,সিক্কিম,ত্রিপুরা,অন্দামান নিকোভর ইথৎ , জম্মু কস্মীর, লক্ষাদ্বিপ অমসুং পুদুচেরিগী সিট অমমমনি।

তাঙ্কক অসিগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ৩০নি। বিহারগী ওইনা মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনি থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা

মথং থাগী অনিদনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট মথং থাগী ১৯ দা থাদনগনি।

মরক অসিদা , অনিশুবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা সিট ৮৯ গী নোতিফিকেসন ঙসি থোক্লগনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমদা মীখল পাঙথোক্কনি। তাঙ্কক অসিদা কেরলাগী সিট ২০, করনাতক্কী সিট ১৪, রাজস্তানগী সিট ১৩,উত্তর প্রদেশ অমসুং মহারাস্ত্রাগী সিট ৮-৮, মধ্য প্রদেশক সিট ৭, অসাম অমসুং বিহারগী সিট ৫-৫, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং ছাতিসগরগী সিট ৩-৩, মনিপুর, ত্রিপুরা অমসুং জম্মু কস্মীরগী সিট অমমমনি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ মথং থাগী ৪ নি। মথংগী নুমিৎতা স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি অদুমওইনমক জম্মু কস্মীরগী ওইনদি এপ্রিল ৬ তা ওইনা স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি। তাঙ্কক অসিগী ভোট এপ্রিল ২৬ তা থাদনগনি।

মীরেপ ঃ লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কীদমক শকাইরবা মীওইশিংনা মীরেপচে পীশিনখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা নাগপুর লোক সভা সিটকীদমক মীরেপ চে পীশিনখি। ত্রিপুরাদা বিপ্লব কুমার দেবনা ত্রিপুরা ৱেষ্ট লোক সভা সিটতা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরি। অদুগা কংগ্রেসকী মীরেপ অসিস সাহসু আগরতালাদা মহাক্কী মীরেপচে পীশিনখি।

মধ্য প্রদেশতসু বি.জে.পি অমসুং কংগ্রেস য়াওনা অতৈ দল কয়াগী মীওইশিংনা মীরেপচেশিং পীশিন্নখি।

মরক অসিদা, উরিষাদা রাজ্য বিধান সভা অমসুং লোক সভা মীখলগীদমক বিজ্ জনতা দল (বি.জে.দি)না মখোয়গী মীরেপশিংগী মীং ঙরাং লাউথোকখ্রে। বি.জে.দি প্রসিদেন্ট অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নবিন পটনাইকনা লোক সভা সিট ২১ গী মনুংদা মীরেপ ওইগদবা মীওই ১৫ গী মীং লাউথোকখি। মুখ্য মন্ত্রি নবিন পটনাইক গনজাম জিলাগী হিনজিলি বিধান সভা কেন্দ্রদা মীরেপ ওইরগনি। বি.জে.দিনা বিধান সভা সিট ১৪৭ গীদমক মীরেপ ৭২ হান্ননা লাউথোকখ্রবনি। লোক সভা মীওই অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখল তাঙ্কক মরি থোকা মে ১৩, ২০, ২৫ অমসুং জন্ ১ দা পাঙথোক্কনি।

জয়শঙ্কর ঃ কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা মালেসিয়াগী প্রধান মন্ত্রি অনৱার ইব্রাহিমগা ঙরাং ক্বালালম্পুরদা উন্নখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- প্রধান মন্ত্রি ইব্রাহিমগী হিরম কয়াদা ভারত অমসুং মালেশিয়া লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবগী মঙলান অদু মঙফাওনবা ঙম্লগনি। ডাঃ জয়শঙ্করগা মালেসিয়াগী মপান থৌরম মন্ত্রি মোহম্মদ হজি হাসনগসু উন্নখি। লুচিংবা অনিনা রাজনীতি, শেল থুম, ঙাকশেল, দিজিতেল, ষ্টার্টঅপ, কোন্সুলর অমসুং পি টু পি লিঙ্কেজগী মতাংদসু মখোয়গী মতশিং ফোংদোকখি।

ধনখর ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- ঙসি অমসুং লাক্কদবা চহিশিংদা নুপীদা শক্তি পীবনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎপা ঙমগনি। নিউ দিল্লিদা লৈবা ভারত মান্দপমদা পাঙথোকপা এফ.আই.সি.সি.আই লেদিজ ওর্গনাইজেসন (এফ.এল.ও)গী চহি ৪০ শুরকপদগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- নুপী-নুপা মান্ননা য়েংবা অমদি নুপীদা শক্তি পীবনা লৈবাক অমবু চাউখৎহনবদা চাউনা মতেং পাংগনি। মহাকা হায়- নুপীদা শক্তি পীনবগীদমক সরকারনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মসিগী মনুংদা সৈনিক স্কুলশিংদা নুপীমচাশিং তমহন্নবা অমসুং আর্মদ ফোর্সেসতা নুপীশিংগী ওইবা পার্মেনেন্ট কম্মিসন লীংখৎপনচিংবা য়াওরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- ম্যান্মারগা লোন্নরিবা ঙমখৈ ফেন্সিং তৌনবগীদমক ভারতনা লুপা কোতি ৩৭০ ইনভেষ্ট তৌরগনি হায়বা পাউ অমা ফোংলি। পাউচে অসিদা কুকি জো মার ৱিমেন বোদিনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসি বোইকোট তৌননবা ৱারেপ লৌরে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমায়দা ফোংলি। সেনাপতি জিলাদা হুই ৭০০ হেনবা হিদাক কাপথোকখ্রে

হায়বা অসিসু পাউচে অসিদা ফোংলে।

গানফিউ মেলদা- মণিপুর সরকারনা ইষ্টর সন্দেবু গভর্নমেন্ট ওফিসশিংগী ওইনা ৱার্কিং ডেনি হায়না লাউথোকখ্রে, পাউমৈ নাগা ত্রাইবস ষ্টুদেন্ট বোদিনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়না অহাবা লমায়দা ফোংলি। পাউচে অসিদা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মণিপুরগী ওইনা মীরেপ ১১ না নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু ফোংলি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বি.জে.পি এম.পি. দিলিপ ঘোসনা রাজ্য অসিগী মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনর্জিদা চয়েৎনবা ৱাফম ফোংদোক্লুবা অদুগী মতাংদা লাল্লে হায়জখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- জেনেরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টনা সরকারগী কর্ম্মচারি পুমমক্কী ওইনা ইষ্টর সনদেবু ৱার্কিং ডে ওইগদবনি হায়না ওর্দর থোকখ্রে হায়বা পাউ অসি অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা কুকিগী ওর্গনাইজেসন আই.টি.এল.এফনা মখোয়গী কম্মুনিতিগী ওইনা নোংমৈশিং পীথোকপা অমদি পীখৎপা তৌরোই, ওথোরিতিনা হায়রবসু লান মতম ওইবনা খুৎলায়শিং পীথোক্লোই হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------